# মণিপুরগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মোলচাম ভিল্লেজদা সরকারনা মীৎয়েং চঙবিদবগুম্না উরি

*মোরে কোরেস্পোন্দেন্ট*

*মোরে, দিসেম্বর* ১৬ ঃ মোরেদগী জিরো রোদ অমসুং দি সি রোদ অনীদা কিলোমিটর ১০০ ময়া চৎলগা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দর ময়াদা খুন্দাবা মোলচাম ভিল্লেজদা ম্যান্মারগী ইন্দো–ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ রোদতা লাইফ রিস্ক ওইরবসু চত্তুনা খুল অসিগী নিংথৌ অমদি অতোপ্পা ভিল্লেজ ওথোরিটি মেম্বরশিংগা উনখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীদা মোলচাম ভিল্লেজগী নিংথৌ তোংসোননা হায়, খুল অসি মতম কুইরবগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লাকখিবনি অদুবু ঙসি ফাওবদদি খুল অসিগী লম্বী থোং মতিক চানা শেম্বীদ্রি। অঙাং উনবা অমসুং অতোপ্পা অরুবা লায়না নারকপদা লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা খুল অসিগী মোরে তান্না চৎনবা হোৎনবদা ম্যান্মারগী লম্বী ফাওরগা লাকপদা য়াম্না খুদোং থিনিঙাই ওইরি। অমদি খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লবসু লৈখ্রে। মসি খক্তা নত্তনা খুল অসিদা ইলেক্ট্রিক ৱায়র কয়া তিংদুনা মতিক চানা মতম কুইরবগী মমাঙদগী লৈরবসু ঙসি ফাওবা ইলেক্ট্রিসিটি ফংবগী নুংঙাইবদি খুঞ্জাশিংনা ফংবা ঙমদ্রি।

খুল অসিদা ইলেক্ট্রিসিটি ফংহনবদা খুদোংচারোইদবা কয়া অমা মণিপুর লৈঙাক্না মায়োক্লরগদি সোল্লর ইনর্জি প্লান শেম্বীদুনা মৈ ফংহনবা পাম্বগী মতসু ভিল্লেজ ওথোরিটিগী মেম্বরশিংনা ফোঙদোক্ল- কখি। খুল অসিগী অৱাৎ অপা কয়া অসি মণিপুরগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর সরকারনা অকুপ্পা মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বা থল্লক্লি।

নীংশিংবা য়াবা ৱাফমদি হায়রিবা মোরেদগী ন্যু সোমতাল ফাওবগী লম্বী কিলোমিটর ৯৯ শাংবা অসি বি আর ওগী মখাদা বি আর টি এফ না ২০০৫–২০০৬ তগী কয়লা থাবা হৌরকপনি। ঙসিদি ২০১৮ লোইশিল্লক্কদৌরে অদুবু কিলোমিটর ৪০ খক্তমক থাবতা ঙাইরি। চহী ১৩ ফাজল্লক্লবা ফাওবা লম্বী কয়লাস থাবা অসি লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। বি আর টি এফনা কিলোমিটর ১৬০ ময়া ম্যান্মারগী লম্বী চহী ২ দা থাবদি ঙল্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা পি দব্লিউ দি মিনিষ্টরগা অখন্ননা উনবা অমদি বি আর টি এফ না মমাঙদদি মরুওইবা লম্বীশিং মখোয়না লোয়নমক শেম্লবনি অমদি মখোয়না শেম্বা লম্বীশিং অসি য়াম্না দিলে তৌরগা শেম্বনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লহল্লি। মসি মণিপুরগী সি এমগা তানরগা দি সি লম্বী অসি অথুবদা পি দব্লিউ দিগী মখাদা শেম্নবা হোৎনগনি হায়না পি দব্লিউ দি মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বাজিৎনা ফোঙদোক্লকখি।

নাকল অমরোমদা ৱাই এ এস এন্দ দব্লিউ আর মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপকসু অখন্ননা উনবা অমদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লকপদা মোলচাম ভিল্লেজ অসি পৱার গ্রিদ এরিয়াদা ইনক্লুদ তৌই, ভিল্লেজ অসিদা পৱার পীনবা গম্ফাজোল ভিল্লেজদগী মোলচাম ভিল্লেজ ফাওবা ৱায়র তিংলিবা অসি শরুক খরা মশক খঙদবশিংনা হুরানখিবনা খুল অসিদা মৈ ফংহনবা ঙমদনা লৈরি। ৱায়র মাঙলিবা অসিগী মতাংদসু পুলিস অমদি আর্মিশিংদা থিগৎনবা হায়খিবা লৈখ্রে। পৱার গ্রিদ এরিয়াদা লৈবা খুল ওইবনা সোল্লর পৱারদি পীবা য়াদ্রি। অদুবু খুল অসিদা মৈ পীবা ঙম্মবা এম এস পি সি এলগী দাইরেক্তরদা হায়খিবগা লোয়ননা চে ইদুনা পীখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

মোরে টু ন্যু সমতালগী লম্বী বি আর টি এফনা শুরিবা অসি পি এম জি এস ৱাইনা মোরে দু ন্যু সমতাল ফাওবা কিলোমিটর ৮৬ দা নৌনা লম কক্তুনা লম্বী শেম্মনি। মসিদা বি আর টি এফনা মখা তানা লম্বী শেল্লিবা অসি লেপ্পু হায়না অয়িবা চে পীখিবসু লৈখ্রে। অথুবদা নোং তাদ্রিঙৈ মনুংদা থবক শুবা হৌহল্লগনি হায়না মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপ্না থাজবা পীরক্লি। খুল অসিদা ঈশিংগী অৱাবা লৈরিবা অসিসু অথুবদা ঈশিং ফংহন্দুনা খুঞ্জাশিংগী অৱাবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি হায়না অরোইবদা ফোঙদোকখি।

চহী ১৩ ফারবা ফাওবা লম্বী শেম্বা লোইশিন্দবা অসি পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা নৌনা লম্বী শেম্লগনি হায়বা অসিনা চহী কয়া অমা অমুক চঙগদৌরি, খুন অসি খুন্দারকপদি চহী ৮০ ফাজিল্লক্লে। লোয়ননা ইন্দিয়ানা নীংতম্বসু চহী ৭১ ফাজিল্লক্লে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ২০১৯ গী ফেব্রুৱারি থাগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ভিল্লেজ খুদিংমক মৈ ফংহনগদবনি হায়বা মঙলান অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থুংহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা অদুদি লাক্কদৌরিবা মতম খরদা খঙমিন্নবা তারি।

# মরিং ফুরুপকী কষ্টম এন্দ কলচরেল একাদেমি হাংদোকখ্রে



*তেংনৌপল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ মরিং ফুরুপকী নাৎ অমসুং কলচর য়োকখত্তুনা থম্নবগী পান্দমদা মরিং কষ্টম এন্দ কলচরেল একাদেমি (এম সি এ ৱাই) ঙসি মচি সব দিভিজনগী মনুংচনবা খুনবী ভিল্লেজদা হাংদোকখ্রে।

একাদেমি অদু এম য়ু এগী প্রসিদেন্ট সিঐচ মোদুন্না ফিরাল চিংখৎতুনা হাংদোকখি। মাঙখিগ–দৌরবা মরিং কলচরগী ঈশৈ লাইরিক অমদি তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং নৌনা ইথোক্তুনা মাঙদনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপাল সিঐচ জোসেফ মরিংনা ফোঙদোকখিবদি মমাঙ–ঙৈদগী লৈরক্লবা মরিং ফুরুপকী কষ্টম অমদি কলচরবু মীয়াম্না হেন্না শকখঙনবা অমদি ঙাক্তুনা থম্নবা পান্দমদা একাদেমি অসি হাংদোকপনি। ঙসিদি মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা কলচরবু ৱেষ্টর্নরোমগী চৎনবীনা মহুৎ শিনজিল্লক্লে। ঐখোয়গী কলচর মাঙশিল্লক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা একাদেমি অসিবু হাংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমদি পাউতাক কয়া পীবিখিবা অহলশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসি একাদেমি অদু হাংদোকপগা লোয়ননা খুলগী অহলশিংনা হান্নদগী লৈরক্লবা কলচরগা মরী লৈননবা ঈশৈ কয়া শকখি অমদি খুলগী নুপীশিংনসু তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু উৎখি। অমদি মরিং কলচরগী কেলেন্দর অমসু এম য়ু এগী প্রসিদেন্ট সিঐচ মোদুননা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মরিং কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দব্লিউ মোরুং মকুঙা, রেভ এন কে ৱাঙৌশাং, পাষ্টর খুন্বী বি সি, টি মোসিল, সিঐচ লৈখিখম অমদি খুলগী অহল কয়াসু শরুক য়াখি।

# ট্রেনিং প্রোগ্রাম য়ৈথোকখ্রে

*মোরে, দিসেম্বর* ১৬ ঃ লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ (লাল) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা হয়েং অমসুং হংচিং নিংথৌখোংখা খুনৌদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ফার্মরস কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম বন্দ লৈবনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে।

লালগী প্রসিদেন্ট এম রোবার্ট খুমন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি চৎলিবা থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা পাঙথোক্লগনি। অহৌবা নুমিত্তা এগ্রিকলচরেল এন্টরপ্রেনিয়রসিপ এজ এ প্রোফেসন হায়বা হিরমদা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ এম য়ুগী দিরেক্টর প্রো. ইবোহল মৈতৈনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙদুনা নৈনগনি। অদুগা মথংগী নুমিত্তা মসরুম কল্টিভেসনগী মতাংদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সি এ য়ু) ইম্ফালগী ওঝাশিংনা নৈনগনি। মাঙজৌননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াওনবগীদমক্তা কন্টেক্ট তৌরকখিব–শিংনা মতম চানা লাকপিনবসু খঙহল্লি।

# এম কে পি বি সিংহ মেমোরিয়েল আর্ট এগজিবিসন পাঙথোক্কদৌরি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ঃ আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা শীন্দুনা ১০ শুবা এন্যুয়েল আর্ট এগজিবিসন ফোটোগ্রাফি য়াওনা অমসুং ৫ শুবা মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্ত সিংহ (এম কে পি বি সিংহ) মেমোরিয়েল আর্ট এগজিবিসন লাক্লিবা জনুৱারি ২০ অমসুং ফেব্রুৱারি ১৭ তা মথংশিংনা পাঙথোক্লগনি।

আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরী বি বিশমভোর সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি এগজিবিসন অসিদা য়াওনিংবা আর্টিষ্টশিংনা জনুৱারি ১০ অমসুং ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবগী মনুংদা পেন্টিং স্কল্পচর, গ্রাফিক অমসুং ফোটোগ্রাফিগী ৱার্কশিং থাগৎলকপা য়াগনি। থাগৎলকপা লাইশিংদগী আর্টস সোসাইটি মণিপুর এন্যুয়েল আর্ট এৱার্দ লুপা লিশিং ১০ অমসুং মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্ত সিংহ মেমোরিয়েল আর্ট এৱার্দ লুপা লিশিং ২০ পীনবগীদমক খনগনি। অকুপ্পা মরোল আর্টস সোসাইটিগী ওফিস নৎত্রগা কন্টেক্ট নম্বর ৮৭৮৭৮৪ ১৮৩৩ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# চৎপা লেঙবা ঙমদ্রবী তোম্বীস্নাদা মতেং পাংখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ঃ রেলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুরগী টিম অমনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কামজিংদা লৈবী খুদোংথিবা অমদগী চৎপা, লেঙবা ঙমদনা দিসএবল পার্সন ওইনা লৈরকখিবী তেন্সুবম তোম্বীস্না দেবী অপোকপা রঞ্জিৎকা উনদুনা মহাক্কী কেস হিষ্ট্রি লৌখৎপগা লোয়ননা হ্বিল চিয়ার অমদি চান–থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, মসিগা লোয়ননা তখেলদা হোম বেজ কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি। ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, মীৎ উবগী শক্তি লৈত্রবা, খোঙ–খূৎ লেঙবা ওৎপা ঙমদবা অমদি মেন্টেল্লি রিটার্দেসন কয়া অমসু খোঙচৎ অদুদা থেংনরকখি। দিসএবিলিটি সার্টিফিকেট পায়রমদবা, করম্না সার্টিফিকেট অসি তানগনি অমসুং সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবা লৌগনি হায়বা খঙলমদবা কয়াসু থেংনরকখি হায়রি।

# পুখাও নহারুপতদা নিষাগী মায়োক্তা মীয়াম্না খন্ন–নৈনখ্রে





*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরুফংনা মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপা এৱার্নেস প্রোগ্রামগী মনুংচন্না ঙরাং থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পুখাও নহারুপ ময়ায় লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন–চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার, পুখাও জি পিগী প্রধান চান্দম ইনাও, মেম্বরশিং মোইরাংথেম ওংবী মাইমু, ময়েংবম ওংবী মুখি, লাইশ্রম মাইকেল, পুখাও নহারুপ ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সোরাম বিমোরানি অমসুং কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সেরাম ওংবী তম্নানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা ওল মণিপুর সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী প্রসিদেন্ট থোকচোম ওংবী রমনিনা মপূং ওইবা ৱাঙাঙলোই ওইখি।

থোকচোম ওংবী রমনিনা ফোঙদোকখিবদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা মমা মপানা পোকপা মচাদি মতম খূদিংদা অফবা ওইগনি অদুগা মখল কয়াগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা মমা মপানা পোকপা মচা অদুনা করি অফবা ওইগদগে হায়বসি মীয়াম্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে।

খুন্নাই অমা শেম্বদা মমা মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু কাওরোইদবনি। মরম অদুনা অফবা ইচা শেম্নবা মমা মপা ওইবা ঐখোয়সু মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা মথৌ তাই।

মণিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ ষ্টেট অসিদা চৎনরবসু সরকারনা য়ান–য়ানবা তৌখিবা অমদি তৌরিবা অমদি মপূং ফানা চৎনহন্দবনা মফম খূদিংদা য়ু মরাং কায়না ফংলিবনি। অসিদসু নত্তনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া থিংনবা আইন লৈজরবসু ঙসি ফাওবা চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্তবনা খুন্নাই অসিগী য়ুম্বীনি হায়নরিবা নহা কয়া নিষাগী ইপাক্তা নোংমা নোংমগী লুপশিল্লক্লি। অদুনা ঐখোয় চেকশিনবা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পুখাও জি পিগী প্রধান চান্দম ইনাওনা ফোঙদোকখিবদি অসিগুম্বা মখলগী এৱার্নেস প্রোগ্রাম লৈকাই লৈকাই খূদিংদা লেপ্তনা চত্থরবদি নহারোলশিংনা ময়াই কাবা নিষাদগী লাপথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূন্নমক্লসু অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ামিন্নবা তঙাইফদে।

কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন–চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়, মণিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন সেকেন্দ এমেন্দমেন্দ বিল পুথোক্লবা সরকারনা হোৎনরক্লবদি লৈবাক ইরাং হৌনবা চেবাও পীবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মরম অদুনা নোংজু মীফম অসিদা য়ু লিগেল্লাইজ তৌনবা করিগুম্বা বিল অসি অমুক পুথোরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা ৱিদ্রো তৌখিবনা সরকারগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

পনবা য়াই, মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন সেকেন্দ এমেন্দমেন্দ বিল ২০১৮ মমাঙগী এসেম্ব্লি মীফমদা হাউসতা পুথোকখিবনি অমসুং বিল অদু সেলেক্ট কম্মিটি অমদা য়েংশিন্নবা থাদখিবনি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি মাইনোরিটি দিপার্টমেন্টকী চিয়ারমেন ওইরম্বা অমদি সিটি দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অক্তর হুসেন (৬৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কাসিম, হফিস হট্টানা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা অক্তর হুসেন্না কংগ্রেস পার্টিগীদা নত্তনা মীয়ামগীদমক তৌরম্বা থবক কয়া নৌহৌননা নীংশিংবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াখি হায়রি।

# য়ুম্নাম খুনৌ মখা লৌবুক্তা পরি ৫ রোমদা নীংথম মরু মরাং থাখ্রে


*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা য়ুম্নাম খুনৌ মখা লৌবুক্তা অপূনবা লৌমী লূপ য়ুম্নাম খুনৌগী থৌমীশিংনা লৌ পরি ৫ রোমদা নীংথম মরু মরাং পাক শন্না থাখ্রে।

মণিপুর সরকারগী তোঙান তোঙানবা থৌশিলগী মখাদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সি এ য়ু)গী অখন্নবা মীৎয়েং মখাদা হৱাইথরাক অমদি থাউ থোকপা হঙ্গাম মরু পাক্তক্লনা হুনখিবনি। মদুগা মরী লৈননা মণিপুর ফার্ম ইন্টপ্রাইজ প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়ারমেন আর কে দোরেন অমদি নিলসান অনীনা ট্রেকতর অমসুং মরু মরাং থানবা প্লান্টর মতেং পাংলকখি।

মণিপুর ফার্ম এন্টরপ্রাইজেসকী চিয়ারমেন আর কে দোরেন্না হায়, ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা লৌবুকশিং হাঙদুনা থমদনবা চুনবা মতম মতমগী মরু মরাং থাদুনা মপাল লমদগী পুশিল্লকপা মনা মশিং কয়াগী মহুৎ শিনবা ঙম্মবা মীৎয়েংদা থবক অসি পায়খৎপনি।

ওর্গানিক ওইবা পোখোক পুথোক্লবা হোৎনরকপা অসিদা লৌমী মীয়াম্নসু শৌগৎপিয়ু অমসুং মণিপুর ফার্ম এন্টরপ্রাইজেসকী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না থাজবা পীখি।

# এম খুনৌ ভিল্লেজদা বস ষ্টেন্দ শাদুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রে



*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ সি আর পি এফ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি রাজেসকুমার আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা এম খুনৌ ভিল্লেজদা নৌনা শাখিবা বস ষ্টেন্দ হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা শিন্নখ্রে।

১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফগী কম্মান্দেন্টনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা শাখিবা বস ষ্টেন্দ অদু আই জি রাজেসকুমারনা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখি। থৌরম অদুদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট লালচান্দ যাদব, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্টশিং বি পি গাংতে অমদি রোমেন সিংহসু শরুক য়াখি। অসিদসু নত্তনা নুংবা পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ইন্সপেক্টর গাইথোইপৌ কবুই, এম খুনৌ ভিল্লেজগী চিয়ারমেন ঔগুষ্টিন, খোংশাংগী চিয়ারমেন কিলোংগিন–নচিংবা কয়াসু য়াওখি।

সি আর পি এফনা বস ষ্টেন্দ অমা শাবিদুনা মীয়ামদা শিন্নখিবা অদুগীদমক এম খুনৌ ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিংনা নুংঙাইবা অমসুং থাগৎপসু ফোঙদোকখি। বস ষ্টেন্দ অসিনা এম খুনৌ অমদি অকোয়বদা লৈবা ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিংনা চখোক–চৎশিনগীদমক গারী ঙাইবদা নোংজু নুংশাদগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়রি।

# ইমা মেমচা লৈমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ কংলৈপাক ৱুমেন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (কে দব্লিউ দব্লিউ এ)গী প্রসিদেন্ট থৌবালদগী ইমা অকোইজম মেমচা লৈমনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা লেপ্তনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরক্লি।

অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)না ইমা মেমচানা লৈখিদবদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবী মেমচা লৈমনা লৈবাক্কী–দমক অৱা অনা থিদনা কখোক্লম্বা অমদি তৌরম্বা থবক থৌরম কয়া নৌহৌননা নীংশিংখি অমসুং মহাক্না লৈখিদবা অসি ইরমদম অসিগী অচৌবা অহোবা অমদি ওইহৌরগনি হায়রি।

লৈখিদ্রবিগী থৱায় মিরেলনা মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্না লৈরুনবসু থৌনিজখি হায়নসু সেক্রেটরী কে ইবেয়াইমনা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক লমজিং অপূনবা মৈরা লূপ (কংলামৈ)গী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমা, চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সি এল কে) গী প্রসিদেন্ট সিঐচ পাকপি চনু অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট এন চিতন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোলনসু ইমা মেমচা না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীয়ামগী ইহৌদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকপগা লোয়ননা লমদম অসিবু মীহাৎ মীপূন লৈতবা, তংদু লৈতাবা লোয়ননা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক অমগা অমগা মতেং পাংমিন্নদুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা চাউনা থৌদাং লৌরম্বা ইমা মেমচানা লৈখিদবা অসি খুন্নাইগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইরগনি অমসুং মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অহাংবা অমা অদুমক লৈহৌরগনি হায়রি।

সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)নসু ইমা অকোইজম মেমচা লৈমনা ইখং খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। সুক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরী থোকচোম দোল্লরসেন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি নুংথিল সুক্কী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম গোবিন মৈতৈনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইমাগী থৱায়না ইংনা চিক্না লৈরুনবা মপুগী মফমদা থৌনিখি।

মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিউ ও) ৱুমেন ৱিংনসু ইমা মেমচানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি। এম এম দব্লিউ ও ৱুমেন ৱিংগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর হজারি পুখ্রিময়ুম্না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইমা মেমচানা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরগী নুপী খুন্নাইবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা কয়া মীরোল অসিনা শিংথাবদা লোয়বা নাইররোই। থৌনা ফবী অখাঙ কনবী অমদি মীনুংশি চাউবী ইমা মেমচানা লৈখিদবা অসি মণিপুরী নুপী খুন্নাইবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা চঙশিল্লকপা ইহৌদা মেনখৎপা ৱারগদবা অচৌবা অহোবা অমদি অদুমক লৈহৌরগনি হায়নসু মখাতানা ফোঙদোরক্লি।

# সার্কুইট কোর্ট সিট্টিং ঙসিদগী ইম্ফালদা

*ইম্ফাল, দিসেম্বর* ১৬ ঃ সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ ট্রিবুনেল গুৱাহাটি বেঞ্চকী সার্কুইট কোর্ট সিট্টিং হয়েং নিংথৌকাবা অমসুং মথংগী নুমিৎ লৈবাকপোকপদা ইম্ফালদা ফম্লগনি।

সিট্টিং অসিদা সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ ট্রিবুনেলগী মেম্বর (জে) মঞ্জুলা দাস অমদি মেম্বর (এ) এন ঙাইসিলনা শরুক য়াগনি। সার্কুইট কোর্ট টিম অসি হৌজিক ইম্ফালদা লৈরে হায়রি।

# সিটি ক্লব হৈরোক্কী কুমওন

*থৌবাল, দিসেম্বর* ১৬ঃ চীংদোমপোক আইদিয়েল তোপ য়ুথ ক্লব (সিটি ক্লব) হৈরোক লিটাল মখোঙগী ৪৩ শুবা কুমওন থৌরম থা অসিগী ২২ থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি। ক্লবকী সেক্রেটরী এম অবোইনা ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অসিগা মরী লৈননা ক্লবকী ফাউন্দরশিংদা খুদোলপোৎ পীবগা লোয়ননা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা ক্লবকী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

# লম্বী পাকথোকপগা মরী লৈননা কৌবা বন্দ শৌগৎলোই– *জে এ সি*

*থৌবাল, দিসেম্বর* ১৬ঃ নেস্নেল হায়ৱে ১০২ গী ইম্ফাল মোরে লম্বীগী লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী লম্বী পাকথোক্লবা হায়দুনা থা অসিগী ২০ লাক্লিবা শগোলশেন নুমিত্তা কৌরিবা বন্দ অসি জে এ সি ওফ ভিক্টিম পাটাদার থৌবাল অমসুং থৌবাল ওক্রমনা শৌগৎলোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থৌবাল ৱাংমা তাবদা জে এ সিগী সেক্রেটরী দব্লিউ ইবোপিশক্না পাউমীশিংদা হায়, হায়ৱে অসিগী লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী লম্বী পাকথোকপা অসি লম্বীগী ময়ায়দগী ফুট ৫০–৫০ পাকথোকপিনবা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীখিবা লৈখ্রে অমদি দি সি থৌবালদসু হায়জবদগী ফুট ৫০–৫০ দা ওইনবা হিয়ারিংনচিংবা চত্থখ্রে। ভারত সরকারগী নিটি অয়োক্না ফোঙবা গাইদ লাইনদসু ফোর লেন্দ হায়বসি ফিট ৪৬ ইঞ্চি ৮ দা ওইরি। মহাক্না মখা তানা হায়, লম্বী পাকথোকপদা কনানসু অয়েৎপা লৈতে। অদুবু ফুট ৬২ ওইহন্দুনা লম্বী পাকথোক্কদবনি হায়না থা অসিগী ২০ দা বন্দ কৌরিবসি মরম চাদে অদুনা শৌগৎলোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী ৱাষি ফল (১৭–১২–২০১৮)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, খৎনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। হোৎনবা য়াবা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা চেকশিনবা ফগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** খৎনবা, তোখাই তাবা, অর্থ লান্না লৌবিবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। থাজবশিংদগী হৈ শিংঙউ। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** তোখাই তাবা, অরানবা তাহনবা, য়েক্লবা চাউখৎপা, শেল মরম চাদনা চৎপা মতম্নি। অচৌবনা চানবিবা, অরুবা পাঙথোকপা ঙম্বদি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** হোৎনজমন কান্নবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতমনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** গারী তপ্না থৌগনি। শোক্কনবা, খৎননিংবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** শাওদবা ফগনি, খৎননিংগনি। তোখাই তাগনগনি। শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** ৱারৌবা, শেল চৎপা, মীনা য়েংশিনবা, ৱাখল লাঙবা ওইরি। য়েক্লবা হেনগৎপা মতম্নি। হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ চাং অমদা লৈ।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** শোক্কনবা, ৱারৌবা, অশাওবা লৈরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফমদি ফগৎলগনি। খরদি লাঙগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** শোক্কনবা, শাওনবা মতমনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংঙউ, পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং ৱাখল ফত্তে। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২,২৩ খরা ফগনি।

**কুম্ভঃ** শাওনবা, ৱারৌবা মতম্নি। শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। তিন্নবশিংদগী হৈ শিংঙউ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ চাং অমদা লৈ, ২৪,২৫ ফগনি।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

# খুরাই চিঙ্গাংবম মাণ্ডবতা বাসক ফাংনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ঃ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা এনজি রঞ্জিতা দেবী, খুরাই থাংজম লৈকায়না শিল্লগা বাসক ফাংনবা প্রদক্ষন ঙসি খুরাই চিঙ্গাংবম মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

প্রদক্ষন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা জে এন এম দি এ গী হান্নগী প্রধান গুরুসু ওইরিবা সঙ্গীট নাতক একাদেমী এৱার্দি পিঐচ ইবোতোননা চিফ গেষ্ট, মণিপুর পন্দিট লোইশং পেলেস কম্পাউন্দগী পানা পন্দিট লাই লোকেন্না থৌরম মপু অমদি এল ৱাই দি য়ুগী সেক্রেটরি এল ইবো সিংহনা ইকায়খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।









